**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চহি ১ গা থা ১১ ফাজিল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং ঙসি সুপ্রিম কোর্টকী জর্জ মঙানা শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা লাক্কুনা য়েংশিনখ্রে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ইরোইশেম্বগী কলেজ ওফ এগ্রিকলচর অমসুং লমফেলপাৎকী কলেজ ওফ ফুড টেকোলোজিদা নৌনা শেমগৎপা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমদি ইনোভেসন প্রোজেক্ট কয়া হাংদোকখ্রে।

৩) আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী মেজর জেনেরেল রভরুপ সিংহনা হায়- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্দুনা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা নুপীশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই।

৪) মণিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল)না শিনবা নুমিৎ নিনি চখুগদবা য়ুথ ফোর নেসনেল রিজেনেরেসন ঙসিদগী ইম্ফালদা হৌখ্রে।

অমসুং

৫) ইসরোনা হায়রি- কুমজা ২০৪০ ফাওবগী মনুংদা ভারতনা থাগী লৈমায়দা খোঙদানবা হোৎনরি।

------

জজ (এল)ঃ চহি ১ গা থা ১১ ফাজিল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং ঙসি সুপ্রিম

কোর্টকী জর্জ মঙানা শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা লাক্কুনা য়েংশিনখ্রে।

নেসনেল লিগেল সাভির্র্সেস ওথোরিতিগী ইগজ্‌কিটিব চেয়ারমেনসু ওইরিবা জষ্টিস-বি.আর. গভাইনা লুচিংবা জর্জ কাংবু অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯ অদুৱাইদা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা থুংলখি। মহাক্কা লোয়নরকখিবা অতে জজশিং অদুদি- জষ্টিস-বিক্রমনাথ, জর্ষ্টিস এম.এম. সুনদ্রেস, জষ্টিস-এন. কোতেশ্বর অমসুং জষ্টিস-কে.ভি. বিশ্বনাথননি।

মখোয়গী মনুংদা জষ্টিস-বি.আর. গভাই, জষ্টিস-বিক্রমনাথ অমসুং জর্ষ্টিস এম.এম. সুনদ্রেসনা হেলিকোপ্তর তোংদুনা চুরাচান্দপুরদা চৎখি। মখোয়না চুরাচান্দপুরগী তুইবোং মল্টিপরপজ হোলদা লিগেল সাভির্র্সেস কেম্প, অনা লায়েংগী কেম্প, লিগেল এইদ ক্লিনিক হাংদোকখি। তুংদা, হন্দক্কী ইরাং অসিদা লাঞ্জেন্নরক্কুনা চুরাচান্দপুরগী সদভবনা মান্দপ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি। খোঙচৎ অদুদা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস দি. কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলসিল্লু শরুক য়াখি।

চুরাচান্দপুরদগী হল্লক্লুবা মতুংদা ঙসি নুংথিল বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং কলেজ রিলিফ কেম্পতা জজশিং অদুনা লিগেল সার্ভিসেস অমসুং অনা লায়েংগী কেম্প হৌদোকখি। থৌরম অদুদা সুপ্রিম কোর্টকী অতোপ্পা জজ অনি- জষ্টিস এন. কোতিশ্বর অমসুং জষ্টিস কে.ভি. বিশ্বানাথনসু শরুক য়াখি। মখোয়না লাঞ্জেন্নরক্কুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী মাইকৈদগী মেমোরেন্দম অমসু জজশিংগী কাংবু অদুদা পীখি। জজশিং অদুনা রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লগনি হায়না ফোংদোকখি। মসিগীদমক লৈঙাকা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎপীয়ু হায়নসু পাউদমখি।

নেসনেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেল, দিষ্ট্রিক্ট

এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপল অমসুং তেংনৌপলগী চীফ মেদিকেল ওফিসারগা খুৎশমদুনা তেংনৌপল জিলাগী তেংনৌপল হাইস্কুল, য়াত্রি নিৱাস রিলিফ কেম্প মোরে অমসুং ক্বাথাদসু লিগেল এইদ এন্দ সার্ভিসেস অমসুং অনা লায়েংগী কেম্পশিং পাঙথোকখি।

হয়েংনা মনিপুর হায় কোর্ট লিংখৎখিবগী চহি ১২ মপুং ফারকপগী থৌরমদা সুপ্রিম কোর্টকী জজশিং অসি শরুক য়াগনি।

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি ইরোইশেম্বগী কলেজ ওফ এগ্রিকলচর অমসুং লমফেলপাৎকী কলেজ ওফ ফুড টেকোলোজিদা নৌনা শেমগৎপা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমদি ইনোভেসন প্রোজেক্ট কয়া হাংদোকখ্রে।

রাজ্যপালগী খোঙচৎ অদুদা ইরোইশেম্বগী কলেজ ওফ এগ্রিকলচরদা নৌনা শাবা গার্লস হোষ্টেল অমসুং টাইপ ফোরগী ষ্টাফ ক্বাটর শঙ্গাখি। তুংদা শ্রী ভল্লানা লমফেলপাৎকী কলেজ ওফ ফুড টেকোলোজিদা লাক্তুনা বাইও ফ্লোক য়ুনিত অমসুং ফুড প্রোসেসিং পাইলোত প্লানগী ফিভম য়েংশিনখি। মফম অদুদা তুলাশিগী মহাউ য়াওবা ঈশিং শুংফম য়ুনিত অমসু রাজ্যপালনা শঙ্গাখি।

লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংদা রাজ্যপালনা চীঞ্জাক শেম শাবদা চংবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি।

রাজ্যপালগী খোঙচৎ অদুদা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগী ভাইস চান্সেল্লর ডাঃ অনুপম মিশ্রা শরুক য়াখি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা ঙসি বিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্টকী জিলা থাক্কী য়ুথ পার্লিয়ামেন্টরি ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হায়- গনতন্ত্রগী থবক থৌরমশিং মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা নহারোলশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই। বিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসি নহারোলশিংগী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং ফোংদোকফম ওইবতা নত্তনা সমস্য কয়াগী ৱারোইশিন পুরকবা ৱাখল্লোনশিং পুথোকফম, নৈনফম অমসু

ওইহ্রিবনি। অসিগুম্বা মীফমশিংদা লৌরকপা ফজরবা ৱারেপশিং মিদিয়াদা ফোংদুনা জাতি অসিবু শেমগৎপগী মায়ওন চুম্বদা শিজিন্নবা য়াগদৌরিবনি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদগী লাকপা নহারোল ৭১ লোমনা শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী লোল অমদি চৎনবী কয়াবু খঙমিন্নদুনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবা কোলকাতা অমদি গুজরাত্তা চৎখিবা মণিপুরী নুপীশিংগী অমত্তা ওইবা জাতিগী খোঙচৎ ঙসি ইম্ফালদা থুংলখ্রে।

৯ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী ইমাশিং শরুক য়াদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদু লোইদুনা ইম্ফালদা থুংলখিবদা ইন্সপেক্তর জেনেরেল অসাম রাইফলস (আই.জি.এ.আর) সাউথকী মেজর জেনেরেল রভরুপ সিংহ অমসুং এ.আর.দব্লিউ.দব্লিউ.এগী রিজনেল প্রসিদেন্ট নভজিৎ কোরনা তরামা ওকখি। মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী হাফলোং হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা ফুরুপ কয়াগী ইমা ইবেলশিংনা শরুক য়াদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা গুজরাতকী অহমেদবাদ, গান্ধিনাগর অমসুং কোলকাতাগী মরুওইবা মফম কয়াদা চৎখি। লোয়ননা রাজ্য অনি অসিগী গভর্নর অমদি আর্মিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং উন্নদুনা খুনাইদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎতুনা অওনবা পুরকপদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা খন্নখি।

খোঙচৎলোইশিংবু তরামা ওক্লদুনা মেজর জেনেরেল রভরুপ সিংহনা হায়- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্দুনা শান্তি পুরকপদা নুপীশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই। ইরাং অসিনা মরম ওইদ্না অৱাবা তারবা মীওইশিংবু মতেং পাংবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- ইরাং অসিগী তুং কোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক বা ফুরুপ অনিগী নুপী লুচিংবশিং পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নবগী তাঞ্জা অমা লৌনবা হোৎনরি। নাকল অমরোমদা, খোঙচৎলোইশিংনা পুখৎলকখিবা

মণিপুরগী মরুওইবা তুরেলশিং মশক থোকা শেমগৎপা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোলদা হৈকোল অমা শেমগৎনবা থন্নকখিবা ৱাফম মরী লৈনবশিংগা তান্নদুনা থবক্তা ওন্থোকবসু হোৎনগনি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি অয়ুক সেনাপতি জিলাগী হেনবুং ভিলেজদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল রাইফল মরি অমসুং নোংমৈ মরু ১৫ ফাগৎলে হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়- হায়রিবা মফম অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ুমথোঙ ১৫০ রোমদা চংদুনা মীওই ২৫০ মশক খঙদোকখি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লিলোং চীংখাম তমায়াই লমখায়দা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা গাড়ি হুরানবদা চেন্নবা লিলোং হাওরৈবী অৱাং লৈকাইদগী মীওই অমা ফারে। মঙোনদগী হোন্দা এক্তিভা ফাইভ-জি অমসু ফংলে। ফারবা মীওই অদু লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

ময়োল (এল)ঃ মণিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল)না শিন্দুনা য়ুথ ফোর নেসনেল রিজেনেরেসন হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনি চথগদবা য়ুথ কনক্লেভ ঙসিদগী ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা হৌখ্রে। মীফম অসিগী মতাংদা ময়োলনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মণিপুরগী হৌজিক ওহরিবা লুরবা তানফম অসিদা তুংগী য়ুন্বী ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিংগী ৱাখল্লোন অচুম্বা মাইকৈদা পুনবগী পান্দমদা মীফম অসি পাঙথোকপনি। লমদম অসিবু অনৌবা লাংওন অমদা পুরকবা হোৎনবদা নহারোলশিংনা লৌগদবা থৌদাং নিংথিনা নৈনবা তঙাইফদে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ইম্পেক্ট টি.ভিগী চীফ ইদিটর য়ুমাম রুপচান্দ্রনা মোদরেটর ওইরগা, ইতিহাসকার ডাঃ মালেম নিংথৌজা, দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডাঃ অরাম্বম নোনি অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা আই.এ.এস ডাঃ আর.কে. নিমাইনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইদুনা ৱা ঙাংখি।

কন্দেম (এল)ঃ চুরাচান্দপুরদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবী চহি ৯ খক্তা ঙাইহিবী পীক্লিবী নুপীমচা অমা শিনা ফংখিবগী থৌওং অদুবু মণিপুর কম্মিসন প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন কৈশাম প্রদিপ কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- অতৈ মরম কয়া লৈরবসু অসিগুম্বী পীক্লিবী নুপীমচা অমবু তমথিনা হাৎলম্বা হায়বসি য়ামা তৌহৈদবা থৌওং অমনি। মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা থোকখিবা তমথিবা থৌদোক কয়াদা মরাল লৈজদ্রবা পীক্লিবা অঙাং কয়া লৈখিদবা অসি কম্মিসন অসিনা য়ামা হকচিন্না লৌই। থৌদোক অসিগী মতাংদা কম্মিসন্না সু মোটো কেস অমা লৌখৎলগনি।

সেনাপতি (এল)ঃ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না তোঙান তোঙানবা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা খুৎশমদুনা শিনবা ক্লিন সেনাপতি রিভর কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মাউন্ট এভরেষ্ট কলেজ পার্কিংদগী কাথিখো কারোং ফাওবগী কিলোমিতর ৮ লোম শাংবা তুরেলগী শরুক শেংদোকপগী থৌরম চথখ্রে। সেনাপতিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মামোনি দোলেনা হৌদোকখিবা তুরেল শেংবগী থৌরম অদুদা সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমদি মীয়ামা শরুক য়াখি।

ঈশিং (এল)ঃ পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট অমসুং ইকো নেটৱার্ক মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা গ্লেসিয়ার প্রিজার্ভেসন হায়বা হিরমদা মালেমগী ঈশিংগী নুমিৎ থৌরম ঙসি হৈরোক পার্ট-টুগী চীংদোমপোক হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ইনভাইরোমেন্টেল সাইন্স দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা সসটেনেবল ৱাটর রিছোর্স মেনেজমেন্ট-ইশুজ চেল্লেঞ্জেস এন্দ সোলুসন হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা জাতি থাক্কী সেমিনার অমদি ৱার্ল্ড ৱাটর ডেগী পালন থৌরম ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র য়াওনা শকারবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ব্লড (এল)ঃ রেফ্রিজ এলেভেন মণিপুরনা শিন্দুনা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ৪০ রোম ঈ দান তৌখি।

ববিনা (এল)ঃ রাজ্য অসিদা অহানবা ওইনা পেক্টস এস্কাভেটমগী সরজরি ববিনা হোস্পিতালদা মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। সরজরি অদু হোস্পিতাল অসিগী কন্সলটেন্ট সি.টি.ভি.এস সার্জন্ট ডাঃ সিধার্থা লুক্রামগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবনি। হোস্পিতাল অসিনা কমপ্লেক্স ভাস্কুলর সরজরি মখল কয়াসু পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

য়ুসিএম (এল)ঃ নাগালেন্দগী য়াচেম খুলদা আফ্রিকান স্বাইন ফিভম শনে দারক্লিবা অসিগী য়েংলগা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীনবা য়ু.সি.এম অৱাং সেকমাই য়ুনিতনা ফোংদোরক্লি।

ইসরো ঃ ইন্দিয়ান স্পেচ রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)গী চেয়ারমেন ডাঃ ভি. নরায়নন্না হায়রি- কুমজা ২০৪০ ফাওবগী মনুংদা ভারতনা থাগী লৈমায়দা খোঙদানবা হোৎনরি। খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মীওই অশোই অঙাম য়াওদনা পৃথিবীদা অমুক হল্লকপা ঙমবা চেকশিন থৌরাং কয়া শেম শাবা হৌরে। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা পাঙথোক্লিবা মিসন অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ওইবা স্পেচ ষ্টেসন থমবা হোৎনরি। ভারতকী স্পেচ প্রোগ্রামগী খোঙচৎকী মতাংদা পাউদম্লদুনা ডাঃ নরায়নন্না হায়- রোকেট অমখক শিজিন্নদুনা মার্চ ওর্বিৎ মিসন অহানবা হোৎনবদা কায় পাকপা ঙমখিবা অসি থোইদোকা চাউথোকচনিঙাইনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো (এল)ঃ ৩ ৭ শুবা এন. হজারি এন্দ ডাঃ এন. তোন্বী ষ্টেট পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেচটতা ব্লেক ৱার্দস পোলো ক্লব বাবুপারানা অসাম রাইফলস পোলো টিম-এবু পাঞ্জল ১১-৮ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম-বনা তেন্থা পোলো ক্লব-এবু পাঞ্জল ৭-৪ দা থোইখি।

কাং (এল)ঃ অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবদা য়াইস্কুল কাংখুৎ অমসুং ৱাবগাই কাংখুৎ পাঞ্জল ১৫-১৫ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ফুটবোল ক্লব লমজাউনা নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুনাইতেদ ব্রদর্স এফ.সিনা সাই আর.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ অহানবা পেনগোলিন কপ ২০২৫ গী চেম্পিয়ন সদর হিলস এফ.সিনা ওইরে। ঙসি এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দ সেনাপতিদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সদর হিলস এফ.সিনা সেনাপতি এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখিবনি। তুরনামেন্ট অসি ৱাইল্ড লাইফ ত্রষ্ট ওফ ইন্দিয়াগা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগা পুন্না শিনবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ অন্দর থার্তিন বোইজ ইন্তর ক্লব ফুটবোল লিগ তুরনামেন্ট ২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পোলোই ফুটবোল ক্লবনা গোল্ডন এফ.এবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা আই.এম.এ ফুটবোল একাদমিনা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ত্বেন্তি থ্রি হাওবম বিরামঙ্গোল সিংহ মেমোরিয়েল ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি তাওথোংদা শান্নখিবা মেটচতা রুল মৈত্রমনা ব্লু হোক খুরাই লমলোংবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে। থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা আর.সি.এ লিলোংনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু রন ৩৬৪ দা থোইখি।
খাঙবোক পার্ট থ্রি পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ১৯৯ দা থোইখি। লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অমদা কে.এ.এস.সি খুমিদোকনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ৩৬ তা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিয়েল টি-ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.সি.সি কোংবনা এল.সি.সি.সি লিলোং চজিংবু রন ৩১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা ৱাই.সি.সি ৱাংখৈবু রন ৪৬ তা থোইখি।

ককচিং (এল)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ককচিংনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চথুগদবা অসমিতা সিতি ৱিমেন্স বেদমিন্টন অমসুং ৱুসু লিগ ২০২৪-২৫ ঙসিদগী ককচিংগী দি.ৱাই.এ.এস.ও কমপ্লেক্সকী ইন্দোর হোলদা হৌখ্রে।

------